HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



ꯔাংজিংগী কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী শেন্থোক লম্বী লৈজনবগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কে ভি কে থৌবালগা লোয়ননা শাবা কেন্দলশিং দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা লোঞ্চ তৌখিবা


টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়বগী মায়োক্তা লেপ্লি : এ আই টি আই
☛ লামায় ২

মায়কৈ অমরোমদা চৎখিগদৌরে
লামায় ৪

"ঈ তৈরবা থাঙশাং-!"
☛ লামায় ৫

'মরাল লৈতবা মীবু ফানবা হোৎনবা য়ানিংদে'
☛ লামায় ৬

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা ঙসি রাহুল গান্ধী লাক্লগনি অমসুং চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা ঈরাং লেপহন্নবা সী এস ওশিংগা ꯔারী শান্নগনি হায়দুনা পাউমীশিংদা লাউথোকখিবা



Vol. 47, Issue No. 96 | শগোলশেন, ইঙেনগী ১১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 29, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# লান থোকহন্দনবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিং কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবা ওইরম্বা য়াওরে

## হাওতক খুল্লেন অমসুং চীংফৈ চীংগী মরক্তগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপথরকপদা খুঞ্জাশিং শিনীংচিৎতা হিংহৌরে, সেমি পকাগী ফার্ম হাওস মৈ থারক্লে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএন এস) :** মমাঙথাগী ৩দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা লমহেন-তুহেনবা মখোয়গী খুঞ্জাশিংগা খূৎশম্নরগা য়েলহৌ ফুরুপ অমদা ওনশিন্দুনা য়ূম মৈ থাবা য়াওনা নোংমৈ কাপ্পুনা মীচমশিং লেপ্পুনা হাৎলকপদগী ওইহল্লকখিবা মণিপুরগী ফীভম খন্ননবা থা অসিগী ২৪দা হোম মিনিষ্টরনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখিবগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎতা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর কৌশিন্দুনা মীফম পাঙথোক্লগা হল্লকখিবা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ভলনরেবল এরিয়াশিংদা মতিক চাবা সিক্যুরিটিশিং দিপ্লোই তৌরে ফোঙদোকখ্রবসু চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলকপদা কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবা ওইরম্বা মফম য়াওরক্লে।

মসিগী মহয়না ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৬ লোম তারকপদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চল্লিবা ফুবালা মনীংদা লৈবা লৌফমদা লৌগী ঈশিং লৌবা চঙলুবা লৌমী খরদা লৌকোন অসিগী মনিং থংবা শরুক্তা নক্লনা লৈবা হাওতক খুল্লেন অমসুং চীংফৈ চীং অনীগী মরক চীংয়াংথেলদা লৈরম্বা অফবা মখলগী খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা খুঞ্জাশিং তম্না নোংমৈ মরূ কয়া কাপথরকপদগী লৌমীশিং শিনীংচিৎতা হিংহৌরে।

**য়াইঙংপোকপীগী তুইচিন ফাইমোল কুকি ভিলেজদগী নোংমৈ কাপথরকখ্রে**

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৮.১৮ লোম তারকপদা য়াইঙংপোকপীগী তুইচিন ফাইমোল কুকি ভিলেজদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈগী খুলশিং ওইরিবা শান্তি খোংবাল অমসুং শবুংখোক খুনৌ তম্না নোংমৈ কাপথরকখ্রে। নৌহৌননা নোংমৈ কাপ্লকখিবা অসিদা খুঞ্জাশিং মীপাইদুনা লাঞ্জেন্নখি। অদুবু অশোক অপনদি অমত্তা য়াওহৌদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতুংদনা লাঞ্চিংমানবী রিজার্ভ ফোরেষ্টকা তাইনবা শিঙ্গেরোক হায়না খঙনবা মফম অমগী মনুং চন্না লৈবা সেমি পকাগী য়ূম অমসু মৈ থাদোক্লক্লে।

নোংমৈ কাপথরকপগী অহানবা থৌদোক অসি ফুবালা মনীংগী হায় কেনেল ময়া নক্লা থোকখিবনি। মফম অসিগা ইরাপ লাপ্পদনা বঙ্কর শারগা লুমদুনা লৈরম্বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লৌমীশিং তম্না নোংমৈ কাপথরকখিবনি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী মফম অসিদা পাউমীশিং চঙশিল্লুবদা ফুবালা, সুনুসিফাই, নরানসৈনা, মোইরাং অমদি থিনুঙ্গৈদগী লাকপা খোইশাওনরবা মশীং য়াম্লবা মীয়ামগা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীগনি হায়রিবা মপানগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগা অকনবা মওংদা মূক্ননদুনা লৈরম্বা থেংনখি।

ফুবালা মনীংগী হায় ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# মণিপুরগী লান খাম্নবা রাহুল গান্ধী ঙসি অয়ূক থুংলরগনি এয়রপোর্টতা থুংলবগা পন্থদনা চুড়াচান্দপুরদা চৎকদৌরি



## ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম (আই টি এল এফ) না চুড়াচান্দপুরদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী লাক্তুনা য়েংশিল্লগনি অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা চৎপগা লোয়ননা ভিক্টিম ফেমিলিশিংগসু উন্নরমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস):**

মণিপুরদা ওইরক্লিবা তমথীরবা ফীভম লাকশিন্দুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা হঞ্জিনহন্নবগীদমক থা অসিগী ২৪দা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চ্যের লৌদুনা দেল্লীদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা মণিপুরদা ওল পার্টি দেলিগেসন অমা খুদক্তা থাননবা দিমান্দ তৌখ্রবসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী মহাক মশামক নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা হয়েং অয়ূক পুং ১১ তারকপদা চার্টরদ্ ফ্লাইদ অমদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলরগনি।

মহাক্লা এয়রপোর্টতা থুংলবগা পন্থদনা গাড়ী তোংদুনা মণিপুরদা চথরক্লিবা লানগী অহানবা হৌরকফম ওইরিবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা কুকি সী এস ও লুচিংবশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংগা ꯔারী শান্নগনি অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু হকথেংননা উন্নগনি হায়রি।

চুড়াচান্দপুরদগী হল্লক্লবা মতুং মোইরাংদা লাক্লগা অহিং লেক্কনি। অদুগা মথংগী নুমিৎ ইরাই নুমিৎতনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎপগা লোয়ননা হোটেল ইম্ফালদা মীতৈ, মীতৈ পাঙল অমসুং নাগা ফুরুপকী মীহুৎশিংগা মীফম পাঙথোক্কনি হায়রি। মহাক্লা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা কোংগ্রেস ভবনদা পাউমীশিংগসু উন্নরমগনি হায়রি।

মহাক্কী খোঙচৎকা মরী লৈননা ঙসি নুমিদাংꯔাইরম কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী হাংদোক্তবগী মায়োক্তা হায় কোর্টনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম ১সুং রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ꯔেজদা উকাই তকথরক্লে

## জুলাই ৫ ফাওবদা হায়ꯔে অসি হাংদোক্লবা পায়খৎপা থবকশিং অমসুং মায়োক্লবা খুদোংথীবশিং কোর্টতা খঙহল্লক্তবদি মিনিষ্ট্রি অনীগী সেক্রেটরিশিং কোর্ট কারক্লবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী হৌরদুনা থোরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী মুক্নবা থা ২ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা ঈরাং অসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী লাইফ লাইন অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী) দা মহৌশাগুম্না গাড়ীশিং 'ফ্রী ফ্লো' তৌহন্দবনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম খম থেংনা অꯔাবা মায়োক্লরে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল অমগী মখা তাবা হিয়ারিং চথরবা মতুংদা মথং থাগী ৫ ফাওবগী মনুংদা হায়ꯔে অসি হাংদোক্লবগী লৌখৎপা থবকশিং অমসুং হাংদোকপদা মায়োক্লবা খুদোংথীবশিং ময়েক শেংনা পন্দুনা 'এফিদেভিট'শিং কোর্ট অসিদা জুলাই ৫গী মমাঙদা পীখৎলক্তবদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ꯔেজগী সেক্রেটরিশিং মশা-মশা কোর্টতা লাক্তুনা মসিগী মরমশিং শন্দোক্না তাক্লনবা খঙহনখ্রে।

পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অসি হৈঙাং পি এসকী মনুং চনবা লুꯔাংশংবম ময়ায় লৈকায়দগী মশাগী চহী ৬৮ লোম শুরবা ꯔাই মঙ্গি অপোকপা লৈখিদ্রবা ꯔাই লুখোইনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পি আই এল অসিগী নম্বরনা ২৪ ওফ ২০২৩নি।

পি আই এল অসি অহানবদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসগী সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি (হোম) য়াওনা অপূনবা রেসপোন্দেন্ট ১০গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নরনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রেসপোন্দেন্ট ১০ অসিনা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী (এন ঐচ-২) থিংজিন্দুনা থম্লক্লিবা অসি হাংদোক্লবা দিরেক্সন পীবিদুনা মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্না মায়োক্লরিবা অꯔাবশিং কোকহনবীনবা হায়জরকখিবনি।

ꯔাকৎ অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এক্টিং চীফ জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন য়াওনা দিভিজন বেঞ্চশিংনা লৌখৎতুনা মসিগী ꯔায়েল মথং-মথং চথরকপদা রেসপোন্দেন্টশিংগী মরক্তা হায়ꯔে অসিগা হকথেংননা মরী লৈনরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ꯔেজসু য়াওহনবা চুম্মী হায়বগী ꯔাফম ফোঙদোক্লরকপদগী মিনিষ্ট্রি অসিগী সেক্রেটরিবুসু রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১১ ওইনা হাপচিনখিবনি। অদুগা মমাঙদা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নখিবদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ꯔেজগী মায়কৈদগী ইম্ফাল ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# বি জে পিনা মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিং পুং ২৪ চূপ্না মোনিটর তৌরি : এ শর্দা

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :**



মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা মরীক চুম্বা রিপোর্টশিং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দাদা পুং ২৪ চূপ্না পীরি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোকখ্রে।

ꯔাফমশিং অসিগা ইরোয়ননা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী সুগী এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনরিবা য়ু কে এল এফ অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরক্তা বি জে পিনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে হায়না ফোঙদোরকখিবা ꯔাফম্থু অরানবা য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদদি নেদাগী কনভিনরসু ওইরিবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা অইবা চেরোল অমসু থোক্তুনা শেংদোকখ্রে হায়রদুনা সুদা লৈরিবশিংদগী করিগুম্বা মখল অমত্তগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনখিদে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। অদুগা সুগী য়ান্ন চে অসিদি কুমজা ২০০৫দা মতমদুদা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈদা খূৎয়েক পীনখিবনি হায়খি।

পার্টিগী মায়কৈদগী পুং ২৪ চূপ্না মতম মতমগী মতুংইন্না থোক্লিবা থৌদোকশিং কূপ্না য়েংশিল্লি হায়রদুনা খূৎ থোক্নরিবা ফুরুপ অনীমক্না থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং লেপ্পীদুনা মণিপুরদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লক্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু পাউমীশিংগী খূত্থাংদা আপীল তৌখি।

## নাগালেন্দগী দিষ্ট্রিক্ট ৬কী 'ওটোনোমস কাউন্সিল' শেম্নবগী কন্সলটেটিভ মীটিং য়ৈথোকখ্রে

**কোহিমা, জুন ২৮ (এজেন্সী) :**

মণিপুরগা য়ুমথংনরিবা নাগালেন্দগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ৬ পূনশিন্দুনা 'ওটোনোমস কাউন্সিল' অমা শেম্নবগীদমক গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরক্তুনা তৌরকখিবা প্রপোজেলগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ৬ অসিগী ওটোনোমস কাউন্সিল শেম্নবগী থা অসিগী ৩০দা পাঙথোক্কনি থৌরাংলম্বা কন্সলটেটিভ মীটিং মখা তাবা নোটিস অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

মসিগী মতাংদা নাগালেন্দ লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্ট (পোলিটিকেল ব্রাঞ্চ) কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অভিজিৎ সিনহানা ঙরাং ওফিসল ওইবা চেরোল অমা থোকখ্রে।

চেরোল অসিনা হায়বগী মতুংইন্না নাগালেন্দগী তুইএন্সাং, মোন, লোংলেং, কিফিরে, সমাতোর অমসুং নোকলাক দিষ্ট্রিক্ট ৬ পূনশিন্দুনা ওটোনোমস কাউন্সিল শেম্নবগীদমক থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ১.৩০দা কোহিমাগী ষ্টেট বেনক্কীট হোলদা পাঙথোক্কনি থৌরাংলম্বা কন্সলটেটিভ মীটিং অদু য়ৈথোক্লে হায়খি।

কন্সলটেটিভ মীটিং য়ৈথোক্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা নাগালেন্দ কেবিনেট মীফম্না হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টর অমসুং ঈ এন পি ওগা ꯔারী শান্নদুনা ঈ এন পি ওগী মায়কৈদগী তৌরক্লিবা দিমান্দ অসি ফ্রন্টিয়র নাগা টেরিটরি হায়গদ্রা নৎত্রগা ওটোনোমস কাউন্সিল হায়গদ্রা হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎননবা লেপ্লখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ১

### গভর্ণরগী পাউজেল

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) :**

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইদুল জুহা থৌরমগী মাঙওইননা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা মুসলিমশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ইদুল জুহাগী ꯔাহন্থোক অসি 'ফেষ্টিবেল ওফ সেক্রিফাইস' হায়বনি হায়রদুনা শেংলবা থৌরম অসিনা লাকপদা খেন্নবশিং কাউথোক্লদুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমুক হন্না লৈহল্লসি হায়রি।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) :**

হয়েং জুন ২৯দা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ꯔেষ্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতনা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতনা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাংꯔাইরম পুং ৬, ককচীং দিষ্ট্রিক্টতনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি। অদুম ওইনমক সেরৌগী ওইনদি কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্লোই হায়রি।

# চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অনৌবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল শেমগৎনবা হোৎনরক্লিবসি মূখৎহৌগদবনি

## : ইপসা, অকোম লূপ, পান্দম, ঈপাক, কংলামৈ, কিল, সী এল কে, কে এস এ

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা কংলৈপাক (মণিপুর) দা অনৌবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল শেমগৎনবা হোৎনরক্লিবা অসি মালেমগী লৈবাক পূম্নমক হুপচিন্দুনা মূখৎহৌবা তঙাইফদ্রে হায়না ইপসা, অকোম লূপ, পান্দম, ঈপাক, কংলামৈ, কংলৈ ইমা লূপ, সী এল কে অমসুং কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা জে এফ সী এস ওগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মে ৩দগী খঙহৌদনা নার্কো টেররিষ্টশিংনা খূৎলিংদুনা চথরকখিবা লান্দা অমদা মণিপুরগী মীতৈ খুন্নাইদা চাউনা শীংনরকপগা লোয়ননা লান্দা অসি ওইবনা খুজিং ওইদুনা শাগৎলকখিবা কুকি কাঙলূপকী মরক্তগী নার্কো টেররিষ্টশিংগী খোঙবুশিংনা মালেমগী মীয়ামদা মীতৈ ফুরুপ্না অতোনবা কাঙলূপতা ওৎপী নৈবীবনি হায়রি।

খৃষ্টিয়ানশিংদা অতম্লনা হিন্দুশিংনা মীওৎ মীনৈ চথরকপনি অমদি মীতৈ খুন্নাইনা কুকি ফুরুপ্পু মখোয়গী মরমদগী তান্থোকখিনবা হোৎনরকপনি হায়না অরানবা ꯔাফম কয়ানা পীক থন্দুনা মীত্রং তৌরগা নুমিৎ কয়ানি মালেমগী মীয়ামদা শন্দোক্তুনা অমম্বদা থমখি। অদুবু অচুম্ববু কুইনা কুপশিন্দুনা থন্বা য়াদবনা ঈরাং অসি নুমিৎ ২৫নিমুক্কী মতুংদগীদি ইন্দিয়া অমদি মালেমগী মীয়াম্না ঙাঙখ্রিবা অমদি শন্দোকখিবা ওইদবশিং তপ্না তপ্না খঙনরকখি। হৌজিক্তি ঈহৌ অসিগী মশক য়াম্না ময়েক শেংলকপগা লোয়ননা লোৎশিনবা য়াররোইদবা ফীভম অমদা য়ৌরকপনা অচুম অরানগী ꯔাফমশিং মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্দুনা ꯔারোইশিন পুরক্লবা মতম ওইরে খনবদগী লূপ ৮ অসিগী জোইন্ট ফোরম ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স (জে এফ সী এস ও) না মীয়ামদা ꯔাফম খরা থম্লকপনি হায়রি।

চেরোল অসিনা থম্লক্লিবা ꯔাফমশিংদি মে ৩গী খোঙচৎ, নার্কো টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা অটসুমগী বেন্নর শীজিন্নদুনা নাগা অমদি কুকি মহেরোয়শিংনি উৎননবা অমদি ত্রাইবেল সোলিদরিটিনি হায়জিন্দুনা মীয়ামদা উৎ চাইদুনা পিছ রেল্লিনি হায়না খোঙচৎ চৎখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## আই টি এল এফনা লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং লৈরোন চন্নবা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ৩দগী থোরকখিবা কাঙলূপ অনীগী লানদা লৈখিদ্রবা কুকি ফুরুপনা কোনশিল্লিবা তোঙান তোঙানবা অপীকপা ফুরুপশিংগী মীওইশিংগী হকচাং লৈরোল চন্দুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগী মতাংদা ঙসি পব্লিক কন্সলটেটিভ মীটিং অমা ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদর ফোরম (আই টি এল এফ) না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

হিয়াংতম লমকাগী ꯔাই পি এ জি ঐচ ক্যুগী হোলদা অয়ূক পুং ১১দগী হৌরদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা ফুরুপ অসিগী হকচাং ১১০ রোমগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থবক্লা ত্রাইবেল কম্যুনিতিগী জোইন্ট ফিলনথ্রোপিক ওর্গনাইজেসনা আই টি এল এফকা খন্নরবা মতুংদা পাঙথোকপা হায়না লেপ্লখি। লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিনা আই টি এল এফকা তান্নদুনা হকচাংশিং অসি করম্বা নুমিৎকী পুং কয়াদা অমসুং কদাইꯔাইদা লৈরোন চন্দুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কদগে হায়বদুসু লেপথোক্লগনি হায়রি।

## কোংগ্রেসনা পাউখুম পীদ্রবদি রাহুল গান্ধীবু তরাম্না ওক্লোই : লূপ ৫

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :** হৌজিক মণিপুরদা মায়োক্নরিবা ফীভম অসি মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিংনা ওইহল্লম্বনি হায়রদুনা লৈবাক অসিগী অꯔাং নোংপোক্কী হকচিনবা পুꯔারীশিং খঙবা ঙমদবা অমসুং মীৎয়েং শান্না উবা ঙমদবদগী থোকহল্লকপনি হায়বগা লোয়ননা সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা কোংগ্রেস লৈঙাকশিং লৈখিবা মতমদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) খূৎয়েক পীনদুনা চৎনখিবনি হায়বা য়াওনা কোংগ্রেস লৈঙাক্তা মরাল কয়া শীরদুনা ꯔাহংশিং লূপ ৫গী থৌপুবশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হংলক্লি। লোয়ননা ওইরিবা ফীভম অসিদা হংলিবা ꯔাহংশিংগী পাউখুম পীদ্রবদি মণিপুরদা রাহুল গান্ধী লাকপদা তরাম্না ওক্লোই হায়বগী ꯔাফমসু ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেস লৈঙাক্তা মরাল শীবা থবকশিং ফোঙদোরক্লিবা লূপশিং অসিগী মনুংদা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুর, মণিপুর ꯔিমেন্স ফেদরেসন (এম দব্লিয়ু এফ), য়ুনিভর্সেল মাদরস ওর্গনাইজেসন (য়ু এম ও) অমসুং য়েলহৌমী কনবা লূপ (য়েমকল) য়াওনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# কে এন এগী চ্যেরমেন হাওকিপ ম্যান্মার মচানি, জেদ আর এগী চ্যেরমেন থাংদেংপাওনা ম্যান্মারগী এক্স এম পিনি

**হকথেংনবা পাউদম**
*ফেদরেসন ওফ হাওমিগী প্রসিদেন্ট*

**ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ৩দগী ঙসি ফাওবদা লেপ্পুনা মণিপুরগী ফুরুপ অনীগী মরক্তা অকনবা লান চথরক্লগসু লান অসি কনা কনা শোক্লবনো, করি মরমগীনো অমসুং লান অসিদা য়াওশিনফম থোক্তবা ফুরুপশিংনা কনা কনানো হায়বনচিংবা ꯔাহংশিং হংখিবগী পাউখুমদা ফেদরেসন ওফ হাওমিগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনিনা হায়, অদুঙৈ কুমজা ১৯৯২গী এপ্রিল ২৩দা মতমদুগী মণিপুরগী নিংথৌ ওকেন্দ্রনা উখুলগী হুন্দুংগী নিংথৌ ꯔুনাওনোং জিমিককী মনাক্তা চৎতুনা শা-ষণ খরা খুদোল তৌরম্মী অমসুং চামিন্নরম্মী। হুন্দুংদা লৈরিবশিংনা ময়াম্বা অমসুং তমগী নিংথৌনা মনাওনি হায়বগী অচেৎপা ꯔারী অমসু লৈ। মতম মতমগী মণিপুরগী নিংথৌ খুদিংমক হুন্দুংদা চৎতুনা অরৈবা অথেনপোৎ অমসুং শা-ষণ পুদুনা চামিন্নবগী চৎনবী লৈরকখি। নিংথৌ ওকেন্দ্রগী খোঙচৎ অদুদা হুন্দুংগী নিংথৌ ꯔুনাওনোং জিমিককা পূন্না ꯔারেপ অমা লৌমিন্নখি মদুদি নিংথৌ ওকেন্দ্রনা নুমিৎ অদুদগী মহাক্কী মমিং অসি 'পারিহনবা' কৌরগে অদুগা হুন্দুংগী নিংথৌবুনা 'খোংলৈহনবা' কৌরগে হায়না য়ান্নখি। লোয়ননা নুমিৎ অদুদগী ইপা ইপুশিংনা চৎলম্বা লাইনীং লাইশোন হঞ্জিনহল্লগনি হায়নখিরম্মী। মরম অসিনা ঐখোয় খুদিংমক হাওমী (হৌরক-মী) নি। ঐখোয়না লৈরিবা মণিপুর অসি হাও লৈবাক হায়না খঙনরবনি হায়নসু লাওথোক্লম্মী। লাওথোকখিবা অদুগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুꯔারী ১২দা 'ফেদরেসন ওফ হাওমি' লিংখৎখিবনি। ফেদরেসন অসি মণিপুরগী ইন্দিজিনস ফুরুপ খুদিংমক্কী অপূনবা লূপনি অদুগা ইন্দিজিনস পিপল হায়রগদি য়েক সলাই লৈবা ফুরুপশিংবু খঙনৈ। চীংদা য়েক সলাই লৈবা ইন্দিজিনস পিপল ফুরুপ ২৩নি অদুগা তম্পাক্তনা কবুই অমসুং মীতৈ/মৈতৈনি। য়েক সলাই লৈবা ইন্দিজিনস পিপল হায়রগদি আইমোল, অনাল, চিরু, চোথে, ইনপুই, কবুই, খারম, কোইরেং, কোম, খোইবু, লমকাং, লিয়াংমৈ, মাও, মরাম, মরিং, মোয়োন, মোন্সাং, মৈতৈ, পুরুম, পাওমৈ, রোংমৈ, তরাও, থাঙ্গাল, তাঙ্খুল অমদি জেমেনি হায়রি।

ইন্দিজিনস পিপল হায়বসি হেক্তা হায়জিনবা য়াদে। 'লাকফম লৈতবা' অমসুং 'চৎফম লৈতবশিং' বু ইন্দিজিনস পিপলনি হায়না লৌগনি। খুদম ওইনা মীতৈগী লাকফম লৈব্রা অদুগা চৎলো হায়রগনা কদাইদা চৎকনি হায়নসু হংলদুনা অসুম্মাইনা তাঙ্খুল, মাও, মরাম অমসুং কবুইনচিংবগসু চপ মান্নে হায়রি।

কুকিশিং অসি অহানবদা মণিপুরদা কুমজা ১৭৪১দা 'খোংজাই' ওইনা লাকখি। মরক্তা লাকপশিংদি ইন্দিজিনস নত্তে। ইন্দিজিনস হায়বদি মৈহৌরোলদগী হৌরকপা/চাওরকপা অদুবুনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা ম্যান্মাররোমদগী কুকিশিং লেপ্পুনা চঙলক্লি হায়রি।

ফেদরেসন ওফ হাওমিগী প্রসিদেন্টগী মথক্তা 'কোর কম্মিটি' অমা লৈ। কম্মিটিগী কনভিনরনা লৈখিদ্রবা আর কে রাজেন্দ্র অমদি এস রাহিংনা ওইরম্মী। প্রসিদেন্টনা সাপমচা জাদুমনি, কোর কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ভাইস প্রসিদেন্টনা ডা. হীনা কবুই, সাইমন মরিং, আলেকজেন্দর মাও, ষ্টেফেন থাঙ্গালনচিংবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, চীং অমসুং তম পূনবা লূপ হায়রবদি ফেদরেসন ওফ হাওমিনি। ঐখোয় অপূনবা মণিপুর অমা ওইহনসি হায়রবদি ঈগী মরী থিগদবনি। হৌজিক মণিপুরগী লুরবা তানফমসিদদি চীং তম অনী পূন্দুনা য়েক সলাই লৈবা য়েলহৌমী ওইরিবা ফুরুপ ঐখোয় মশেল পুনগদবনি। ঐখোয় মশেল ꯔাখল তামিন্ননবা হোৎনবসি অরাইবদি নত্তে। হাওমি লিংখৎলকপদগী তম্পাক্তগী হৌরগা সেনাপতি, উখ্রুল, চান্দেল, কাংপোকপী, তমেংলোংনচিংবা মফমশিংদা মীফম পাঙথোকখ্রে। হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিসু থোক্কনি হায়বসি মাঙজৌননা উরকপা কুইরে হায়খি।

মসিমক্লা চীং অমসুং তম ꯔাখল তামিন্ননবা থৌরাং হৌরকখিবনি হায়রদুনা ওগষ্ট ২৮, ২০১৯দা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা সু তোক্লনবা মেমোরেন্দম পীশিনখি। মরমদি ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কুকি লালহৌবশিংগা সু তৌনফম থোক্তে। কে এন এগী চ্যেরমেন ওইরিবা পি এস হাওকিপ ম্যান্মারগী মোংলোই হায়বা মফমদা পোকপনি। মহাক্কী অহল লমনশিং বর্মিজনি অদুগা নাগালেন্দগী কুকি দোলোং হায়বা মফমদা চাওরকপনি। জেদ আর এগী চ্যেরমেন থাংদেংপাওসু ম্যান্মারগী এক্স এম পিনি। মরম অসিনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা করম্না মখোয়গা সু তৌনরক্লিবনো হংখি। কুমজা ২০১৯ অদুꯔাইদদি মণিপুরগী মীয়াম তূন্লি। ঐখোয়না কুকিশিংবু ফোরেন্নরনি হায়বদা লূপ খরা অমসুং চীফ মিনিষ্টর মশা ফাওবনা শাওখি। সুগী মিলিটেন্টশিংনা ইন্দিয়াদি মখোয়গী য়েক্লবা নত্তে, মরুপনি। ইন্দিয়াগী মখাদা থবক তৌবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি। অদুবু কুমজা ২০০৮দগী হৌদুনা চহী ১২/১৩গী মথক্তা লৈবা অঙাং পূম্নমক খূৎলায় পায়হন্দুনা ত্রেনিং তৌখি অদুগা খূৎলায় অনৌবশিং লৈদুনা পৈশিল্লকখিবনি। খূৎলায়শিং অদুনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈঙাক্তা ওনশিল্লগা কাপ্পদি লৈত্রি। কনাদা কাপ্পবা ত্রেনিংনো হায়না হংবদা হন্দক থোক্লিবা ঈরাং অসিনা অদুম তাকচরে হায়রকখি।

কোংগ্রেসকী মতমদা ও ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাক্লা সু চৎনহল্লক্লে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Congress luchingba Rahul Gandhigi khongchatna Manipurgi numit 57ni suraklaba kanglup mashelgi lan khambada achouba mateng soidana oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Manipurgi ching amasung tam anibu state amasung union leingakna tongan tonganna maipunagani hairaklibasi separate administrationgi mami oigadra?

Yes 100% No 0%